# স্পেননা স্বিটজরলেন্দবু পেনাল্টি শুট আউটতা ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা য়ুরো ২০২০গী সেমীফাইনেল য়ৌখ্রে



সেন্টপিটরসবর্গ, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ঙসি রসিয়াগী সিটি সেন্ট পিটরসবর্গতা শান্নবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্বিটজরলেন্দবু স্পেননা পেনাল্টি শুটআউটতা ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

স্পেনগী টিম য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী ১১রক শরুক য়ারকপদা টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রবনি। মখোয়না ৱর্ল্ড কপ ১৫রক শান্নরকপদা কুমজা ২০১০দা টাইটল অমা লৌবা ঙমখি। য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌখিবা অদুনা কুমজা ১৯৬৪, ২০০৮ অমসুং ২০১২তনি। স্বিটজরলেন্দগী টিম ৱর্ল্ড কপতা ১১রক শরুক য়াবা ঙমখ্রে। মদুদা মখোয়না ফজখিবা অসি ক্বার্টর ফাইনেল অহুম্লক য়ৌবা ঙমখি। কুমজা ১৯৩৪, ১৯৩৮ অমসুং ১৯৫৪দা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অদুগা য়ুরো ফুটবোলদনা মঙারক শরুক য়ারকপদা হন্দক্কী চহী অসিদা সেমীফাইনেল য়ৌবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।

ঙসিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিগী হৌরকপা মিনট ৮ শুজিল্লকপদা স্পেনগী এটেক অমদা ঙাকথোকখিগদবা বোল অদু দেনিশ জাকারিয়ানা মায়কৈ ওন্নখিবদগী স্পেনদা পাঞ্জল ১ খূদোল তমখি। পাঞ্জল শোত্থরবসু স্বিটজরলেন্দগী মায়কৈদগী স্পেনগী মায়কৈদা এটেক চত্থবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা স্বিটজরলেন্দ পাঞ্জল ১ শোত্থরগা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই, প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেননা ক্রোএসিয়াবু এক্সট্রা টাইমদা পাঞ্জল ৫-৩দা থোইদুনা লাকখিবনি। অমরোমদা, স্বিটজরলেন্দনা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ফ্রান্সপু পেনাল্টি শুট আউটতা পাঞ্জল ৫-৪দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

শান্নবগী অনীশুবা হাফতা স্বিটজরলেন্দগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী মেটচকী ৬৮ শুবা মিনটতা রেমো ফ্রোলরনা পীরকপা বোল অমদা জর্দান সাকিরিনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা স্বিটজরলেন্দবু হিঙ্গৎহনখি। অদুবু শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা স্বিটজরলেন্দগী রেমো ফ্রোলর রেদ কার্দ ফংদুনা শান্নবদগী থোকখি। শান্নরোয় ১০দা ঙাইহৌরবা টিম অদুগী মথক্তা স্পেননা এটেক চত্থরবসু পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। স্বিটজরলেন্দগী গোলকিপ্পর সমরসনা য়াম্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপদগী মেটচ অদু এক্সট্রা টাইম শান্নখি। মদুদসু পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী পেনাল্টি শুট আউট তৌবদা স্পেননা ৩-১দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা বেলজিয়ম অমসুং ইটলিগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি। স্পেনগী মায়কৈদগী ওলমো, জেরাদ অমসুং ওয়ারজবলনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা স্বিটজরলেন্দগীনা গাব্রানোবিচ খক্তমক পাঞ্জল চনখি।

# পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেক ৱিম্বলদন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



লন্দন, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
চহী অসিগী অহুম্লকশুবা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা পোলেন্দগী আইগা সিৱাটেক মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

সিৱাটেকনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী শান্নরোয় আই সী বেগুবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা থোইবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী আইগা সিৱাটেকনা অহানবা রাউন্দদা বেগুগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ইকোম কোম্না ৬-১দা থোইবা ঙমখি।

অনীশুবা সেট অদুদদি বেগুগী মায়কৈদগী অশোয়বা কয়া য়াওরকপা অদুগী খূদোংচাবা লৌদুনা সিৱাটেকনা বেগুগী সর্ভিস গেম অহুম্মক ব্রেক তৌখিবগা লোয়নন ৬-০দা থোইরগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। সিৱাটেকনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা টর্কিগী ও জাগোর অমসুং স্পেনগী জি মুগুরুজা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী অতোপ্পা শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভাসু মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চেক রিপব্লিককী শান্নরোয় টি মার্টিনকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৩দা থোইবা ঙমখি। মহাক্না মথংগী রাউন্দদা রসিয়াগী এল সামসোনোভা অমসুং য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনানা য়ু এসকী এল দেবিসকা প্যের ওইরগা শরুক য়ারকপদা অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী প্যের জে পেগুলা অমসুং এ মোহমদ অনীগী মখূৎতা ৩-৬, ২-৬তা মায়থীহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা মঙাশুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা ঙসি শান্নবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী এফ ফোগনিনিবু সেট ৩-১দা থোইখি। অহানবা সেট রুব্লেভনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু ফোগনিনিনা ৭-৫দা থোইখি। সেট অমমম্‌মান্নরবা মতুং মখা তারকপা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেটতা রুব্লেভকী মায়কৈদগী ফজবা হেনগৎলক্তুনা ৬-৪, ৬-২দা থোইরগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। রুব্লেভনা মরিশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী দি স্বার্টসমেন অমসুং লাটভিয়াগী এম ফুকসোবিক অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় ২৫শুবা সিদেদ কে খাচানোবনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী এফ টিয়াফোবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দদা গ্রেট বৃটেনগী দি ইভান্স অমসুং য়ু এস এগী এস কোর্দা অনীগী অথোইবগা লম্বা তৌনরগনি।

# মানা পটেলনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা নুপী স্বিম্মর ওইরে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
স্বিম্মিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মানা পটেলনা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা নুপী স্বিম্মর অমনা ওলিম্পিক্স শরুক য়াবা ঙম্বা ওইরগনি।

ফেদরেসনগী মায়কৈদগী মখা তারকপদা মানা পটেলনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবনি। মহাক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী পীরিবা ক্বালিফিকেসনগী মতম অদুগী মনুং চন্দ্রবসু 'য়ুনিভর্সেলিটি কোটা'দা খনখিবনি। য়ুনিভর্সেলিটি কোটা অসি ইন্টরনেসনল স্বিম্মিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ইনভাইট তৌরকপা নৎত্রগনা অতোপ্পা নুপী অমত্তা লৈবাক অমদগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রবদিহায়রিবা কোটা অসিগী খূত্থাংদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

মশাগী চহী ২১ শুরবী মানা পটেল কুমজা ২০১৯দা খোঙনীং শোকপদগী কম্পিটিসন কয়া শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবা মতুং হন্দক্কী চহী অসিদা শরুক য়াবা হৌরকপনি। মহাক্না চহী অসিগী এপ্রিল থাদা উজবেকিস্তান লৈবাক্তা পাঙথোকপা স্বিম্মিং কম্পিটিসনদা মিটর ১০০গী বেকষ্ট্রোক ইভেন্ট অদুদা মিনট ১:০৪.৪৭তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মখা তারকপা সর্ভিয়াকী কোনুং বেলগ্রেদতা পাঙথোকপা কম্পিটিসনদা মানা পটেলনা মিনট ১:০৩দা য়ৌবা ঙল্লবসু ওলিম্পিককী ওইরিবা ক্বালিফিকেসনগী মতম মিনট ১:০২ অদু য়ৌবা ঙমখিদে। মহাক্না য়ুনিভর্সেলিটি কোটানা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী স্বিম্মর ওইনা শরুক য়াগদৌরিবনি। মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী স্বিম্মর স্রিহরি নটারাজ অমসুং সাজন প্রকাশ টোকিও ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখি।

# মণিপুরগী ওলিম্পিয়ন ৫গীদমক সুককী মায়কৈদগী য়াইফ থৌনীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (ঐচ এন এস):
জপানগী টোকিও সিটিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়েথোরক্লবা ওলিম্পিক গেমস থা অসিগী ২৩দগী হৌরগনি। ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় ৫না মিংচৎ উরোং পুরক্লবগীদমক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না য়াইফ থৌনীখ্রে।

চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ওলিম্পিক্স গেমস অসি কুমজা ১৮৯৬ তগী হৌখিবনি। টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিনা ৩২রকশুবা ওলিম্পিক গেমস ওইগদৌরিবনি। চহী অসিগী ওইনা 'দিস্কোভর টুমোরো' হায়বা স্লোগানগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ বাই ইমোসন হায়বা মোটোগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী শান্নরোয় ১১,০০০ হেনবনা জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা মকোক তানবা হোৎনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা মণিপুর অসি পাৱর হাউস ওফ স্পোর্টস হায়না খঙনরিবনি। ষ্টেট অসিদগী নুপীগী হোক্কীদা পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, নুপাগীদনা শংলাকপম নিলাকান্ত শর্ম্মা, জুদোদা লিকমাবম শুশিলা, বোক্সিংদা এম সী মেরি কোম অমসুং ৱেথলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনুনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাকনা মখোয় ৫না টোকিওদা শান্নবা মতমদা মায় পাকপা ওইরকসনু হায়না থৌনীখিবগা লোয়ননা কংলৈচা পুম্নমক্সু তাইবং মপূগী মফমদা নুপী শান্নরোয় মরি অমসুং নুপা শান্নরোয় ১না মকোক থোংদুনা হল্লক্কবা পুম্নমক্কী মায়কৈদগী থৌনীবিয়ু হায়নসু মহৈরোয়গী লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# নোরৱেগী কার্ষ্টেন ৱারহোমনা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলগী অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে




ওস্লো, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
শগোলশেন নুমীৎতা নোরৱেগী সিটি ওস্লোদা পাঙথোকপা দাইমন্দ লীগ এথলেটিক কম্পিটিসনদা লৈবাক অদুমক্কী এথলিট কার্ষ্টেন ৱারহোমনা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা সেকেন্দ ৪৬.৭০ দা চেন্দুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক য়ুরোপিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা কার্ষ্টেন ৱারহোমনা কুমজা ১৯৯২দা য়ু এস এগী এথলিট কেভিন য়ংনা সেকেন্দ ৪৬.৭৮দা থমখিবা মিটর ৪০০গী লমজেলগী রেকোর্দ অদু ঙরাং কার্ষ্টেন ৱারহোমনা থুগায়খিবনি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা ৱারহোমনা দাইমন্দ লীগ কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অদু সেকেন্দ ৪৬.৭০দা চেন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাবদা অচৌবা থাজবা অমা থম্বা ঙমখ্রে। মহাক্না টোকিওদা হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা অকনবা লম্বা পীরক্কদৌরিবা শান্নরোয় অদু য়ু এস এগী হৌখিবা থাদা ট্রায়ল তৌবদা সেকেন্দ ৪৬.৮৩দা চেন্দুনা মকোক ওইখিবা রাই বেঞ্জামিননি। সেকেন্দ ৪৭কী মনুং চন্না চেনবা ঙম্বশিং অদুগী মনুংদা ৱারহোম, কেভিন য়ং, বেঞ্জামিন অমসুং কটারগী অব্দররহমননি।

দাইমন্দ লীগ অদুদা নুপাগী পোল ভোল্টতা স্বিদেনগী এথলিট দুপ্লান্টিসনা মিটর ৬.০১ চোংদুনা কম্পিটিসন অদুগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি। মহাক মশামক্না হৌখিবা চহীদা মিটর ৬.১৮ চোংদুনা ইন্দোর রেকোর্দ থম্বা ঙম্লি। অদুগা কুমজা ১৯৯৪দা রসিয়াগী সর্গৈ বুব্কানা থমখিবা মিটর ৬.১৫গী রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিবনি।

# সলাম রঞ্জন চেন্নাইন এফ সীগী দিফেন্দর ওইনা খূৎয়েক পীখ্রে



চেন্নাই, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ন সুপর লীগকী টাইটল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা চেন্নাইন এফ সীনা ঙসি সেন্ট্রেল দিফেন্দর অমা ওইরিবা শান্নরোয় মণিপুর মচা সলাম রঞ্জনবু চহী কয়াগী ওইনা খূৎয়েক পীখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা দিফেন্দর অসিনা চেন্নাইন এফ সীদা য়াওদ্রিঙৈ এ টি কে মোহন বগানদা শরুক য়ারম্বনি। মহাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চেন্নাইন এফ সীদা শান্নগদৌরিবা অসি মহাক্কী লাইবক ফবনি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী ক্লব অসিনা পাম্লিবা পান্দম অদু য়ৌননবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পীগনি হায়না থমখি। মহাক্কী মায়কৈদগী অৱৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা ক্লব অসিবু অমদি ক্লব অসিগী সপোর্টরশিংবু মায় চোপহল্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

পুনে এফ সী একাদেমিগী প্রদক্ত অমা ওইরিবা সলাম রঞ্জননা সিনিয়র টিমদা ২০১৩-১৪দগী শরুক য়াবা হৌরকখি। মহাক আই লীগতা শান্নবা ঙল্লবা মতুং রেদ লিজার্দকী ওইনা এ এফ সী কপসু শরুক য়াখি। মহাক্না বেঙ্গলুরু এফ সীদা শান্নরিঙৈদা আই লীগ অমসুং ফেদরেসন কপ অমসুং ট্রোফি কয়া লৌরমখি। মতম খরা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীদসু শান্নরম্লবা মতুং ইষ্ট বেঙ্গলদা চহী ২ শান্নখি। কুমজা ২০১৭তা মহাক ইন্দিয়াগী নেসনল টিমগীদমক সেলেক্ট তৌদুনা পূন্না মেটচ ১১ শান্নবা ঙম্লি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংনা নুমিদাংদা পাঙথোকপা ইভেন্টশিংদা ভাবোক য়াওহল্লোইদৌরি : রিপোর্ট

টোকিও, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুমিদাংগী মতমদা পাঙথোকপা ইভেন্টশিং অদু ভাবোকশিং য়াও-হন্দনবা থবক পায়খৎলি হায়না ওর্গনাইজরশিংগী ৱাফম অদু জপানদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে য়োম্যুরিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।



জপানগী মীয়াম্না ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা পাম্নদবগী চাং হেন্দুনা লৈরিবনি। লোয়ননা হেল্থ এক্সপর্টশিংনসু গেমস অসি পাঙথোকপনা জপানদা অনৌবা ভাইরসকী ৱেভ অমসু লাকপা য়াই হায়না থমখ্রবনি। সিবা অমসুং সাইতামা প্রিফেকচরশিংগী গভর্ণরশিংনা ওর্গনাইজরশিংদা তকশিনখিবগী মতুংইন্না মফম অদুদা পাঙথোকপা নুমিদাংগী ইভেন্টশিং অদুদা ভাবোক য়াও-হন্দনবা হায়রকখি।

টোকিওগী গভর্ণর য়াওনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং ওলিম্পিক্সকী মিনিষ্টর ওইরিবা টামায়ো মরুকাৱানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, গভর্ণরশিং অদুনা থাঙ্গৎলকপা ৱাফমশিং অদু খন্নগনি হায়খি।

মরক অসিদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ঙরাং ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না লৈঙাক্না লাক্কদৌরিবা চয়োল অসিদা ভাবোকশিং শান্নফমদা মীৎয়েং তাবা য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌরগনি। লোয়ননা টোকিও অমদি অতোপ্পা সিটিশিংদা থল্লিবা ক্বাসি ইমর্জেন্সি অদুসু লৌথোকপগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

জপানগী অৱাং থংবদা লৈবা হোকাইদো প্রিফেকচরগী গভর্ণরনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ওর্গনাইজরশিংদা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না সাপোরো সিটিগী লম্বেলদা মারাথোন লমজেল পাঙথোকফম ওইবা মরম্না ভাবোকশিংনা লম্বীদা থোক্তুনা য়েংবগী খূদোংচাবা অদু অনৌবা প্রোটোকোল অমগা লোয়ননা চৎনহন্নবা তকশিনখি।

জপাননা কোভিদ-১৯গী কন্টেন-মেন্টগী লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি জুলাই ৩১ ফাওবা লৈরম্বা অদু চয়োল ২ শাংথনবা থবক পায়খৎলি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

জপানগী হেল্থ মিনিষ্টর নোরি হিসা তামুরানা ফোঙদোকখিবদা, টোকিও সিটিদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা থল্লিবা অথিংবশিং অসি মখা তানা শাংদোকপা য়াই। অদুবু লায়না লাইচৎ অসিগী হেনগৎলক্লিবা নৎত্রগা লৈরিবা ফীভম অসি য়েংলগা থবক পায়খৎকনি। মালেমগী অতোপ্পা মফমশিংদা ফংলিবা চৈথেং অদুগা য়েংলুরগদি জপানদদি চাং য়াম্না হন্থরিবনি।

# এম পি জাবির মিটর ৪০০গী হর্দলদা ওলিম্পিক্স ক্বালিফাই ওইখ্রে

কোচি, জুলাই ০২ (এজেন্সী):
পটিয়ালাদা লোইশিনখিবা ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ন নেভিদা থবক তৌবা এথলিট এম পি জাবিরনা সেকেন্দ ৪৯.৭৮ চেন্দুনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেলদা শরুক য়ারগনি হায়না দিফেন্সকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।



ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী কোটাদা কেরলাগী বলাপুরমদগী হৌখিবা মশাগী চহী ২৫ শুরবা এম পি জাবির টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। মহাক্না হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপাগী এথলিট ওইগদৌরি।

ৱর্ল্ড রেঙ্কিং কোটাগী মতুংইন্না এথলিট ১৪ ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খূদোংচাবা লৈ। মহাক ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী মায়কৈদগী পীথোরকপা খ্বাইদগী নৌবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৩৪শুবা পোজিসনদা লৈরি। পূন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শান্নরোয় ৪০না মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অসি শরুক য়াগদৌরিবনি।

মমাংদা কুমজা ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী এথলিট কেরলাদগী পি টি উশানা ইন্দিয়াগী অহানবা এথলিট ওইনা মিটর ৪০০গী হর্দল লমজেল অদুদা শরুক য়াদুনা ৪শুবা পোজিসন তারকখি।

ꯗꯤ.ꯑꯥꯏ.ꯄꯤ.ꯑꯥꯔ

EMPLOYMENT NEWS


IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst.-2, Car Driver-2, Grade IV-2
SAMUROU BRANCH :- Office Asst.-2, 2 Wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2, Tyre Fitting Helper-2, Car Driver-2, Grade IV-2, Brick Mistry-3 & Jugali-5 (Rs.15,000 to Rs. 25,000)
MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2
NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2

OFFICE HOUR :
10.00 AM TO 4.00 PM

Pl. Contact : L.G. MOTORS
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,
IMPHAL-WEST MANIPUR
CONTACT No. :- 9774495994 / 8731978490

HL-B/6970/28/6-18/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 158**

**Lubbe, Nikolas (1110) - Bentz, Matthias (1623)**
**DEM U10 Ueberlingen (3), 2000.06.05**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.e5 c5 |
| 4.c3 Nc6 | 5.Nf3 Qb6 | 6.a3 c4 |
| 7.Nbd2 f6 | 8.Be2 Qc7 | 9.exf6 Nxf6 |
| 10.O-O Bd6 | 11.h3 O-O | 12.b3 cxb3 |
| 13.Nxb3 Ne4 | 14.Qc2 Ne7 | 15.Bd2 Nxd2 |
| 16.Nbxd2 Bd7 | 17.Rfe1 Rac8 | 18.Nb1 b5 |
| 19.Ng5 g6 | 20.Bxb5 Bxb5 | 21.Nxe6 Qc6 |
| 22.Nxf8 Rxf8 | 23.a4 Ba6 | 24.Na3 Nf5 |
| 25.Qa2 Rc8 | 26.Nb5 Bxb5 | 27.axb5 Qxb5 |
| 28.Qxa7 Qc6 | 29.Rec1 Bb8 | 30.Qa4 Qc7 |
| 31.Kf1 Qh2 | 32.Qd7... | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 157 Ans. :**
23. ...Bxf6 24.Nh6+ Kh8 25.Rxd7 Qb1+ 26.Bf1 Bxe7 27.Bd4+ Bf6 28.Bxf6#Bishop and knight mate
24. Nh6+ Kh8 25.Qd6 Qxa2 26.Bd5 Qa4 27.Nf7+ Kg7 28.Bh6+ Kg8 29.Rf1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com